**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 29-11-2024)**

**সরকার (এল)ঃ** মনিপুরগী ওইবা ৱাফমশিংদা ঙাইহাক লৈতনা মিজো নেসনেল ফ্রন্ট (এম.এন.এফ) না খুৎ থিংজিল্লকপবু রাজ্য সরকারনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোক্লি।

মিজোরামদা বেজ তৌবা রাজনিতি দল এম.এন.এফনা মুখ্য মন্ত্রি- নোংথোম্বম বিরেন ফম থাদোক্কদবনি হায়বা ৱাফমবু রাজ্য সরকারনা শিংনরদুনা হায়-হায়রিবা রাজনিতি দল অসি এন্টি নেসনেল প্রো-ম্যান্মার রিফ্যুজি প্রোপগন দা অমসুং এন্তি মনিপুর ওই। ঙমখৈ শন্বল খাবা, ইলিগেল ইমিগ্রেসন খনদোকপা, নোংমৈ অমদি দ্রগ পুথোক পুশিন তৌবা য়াওনা লৈবাক অসিগী ইন টরনেল সেক্যুরিতি অমদি ঙাকশেলগী থবক থৌরমশিংদা পায়খৎলকপগী মায়োক্তা দল অসিনা লৈ। রাজ্য অসিদা মায়োকরিবা দ্রগ অমদি মীতোপ চংশিল্লকপগী ৱাথোক অসিগী অয়াম্বা হৌরকফমদি ম্যান্মারনি।

হৌজিক রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ৱাথোকশিং অসি ম্যান্মারদগী মীতোপশিং চংশিল্লক্তুনা পোপী থাদুনা লৈশিনবদগী হোরকখিবনি। থবক থৌরমশিং অসিবু মুখ্য মন্ত্রিগী মীৎয়েং মখাদা ৱার ওন দ্রগ পায়খৎলকপদগী ইরাং অসি হেনগৎলকপনি। সরকারনা এম.এন.এফপু মরাল শিরদুনা হায়-রাজ্য অসিদা মীতোপ চংশিল্লকপা থিংবদা মখোয়গী য়ানিংদবা ৱাখল অসি করি ওইরম্বা য়াই

পনবা য়াই, মিজোরাম সরকারনা য়েলহৌমীশিং খন্দোকবগীদমক বেটচ ইয়ার ১৯৫০ ওইরি। অদুবু, মনিপুরগী ওইনদি সরকার অসিনা ১৯৫১ দা ওইহল্লি।

মরক অসিদা, শ্রী বিরেননা লুচিংবা সরকার অসিনা রাজ্য অসিদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা হনজিল্লকবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। সরকারনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওই লিশিং ৬০

হেনবদা লৈফম, চান্ন-থকবা অমদি ফিরোলশিং পীদুনা লাক্লি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথুদুনা পুলিসশিংদগী লৌখিবা নোংমৈশিং লৌখৎনবা থবক পায়খৎলি। আইন থুগায়বা মীওইশিং মতম মতমগী মতুং ইন্না আইনগী ওইবা থবক চথুরি।

ইরাং অসিগী হৌরকফম সুপ্রিম কোর্টকী রিটয়ার্দ জজ অমনা লুচিংবা কমিসন অমা শেমদুনা থিগৎলি।

**স্কুল (এল)ঃ** মনিপুরদা লৈবা মহৈলোইশঙশিং ঙসিদগী মহৌশাগুম ক্লাস হৌরগনি।

হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা চেরোল থোকখ্রে। রাজ্যগী এদুকেসন (এস) কী দাইরেক্তর-এল. নন্দকুমারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-ঙসিদগী সরকারগী স্কুশিং-এদেদ, লান্নাই অমসুং সেন্ত্রেল স্কুলশিং মহৌশাগুম ক্লাস তৌরগনি।

অমরোমদা, হয়ার এন্দ টেকিকেল এদুকেসনগী জোইন্ট সেক্রেটরি-দারিয়াল জ্লি অনালনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-মনিপুরদা লৈরিবা সরকারগী, এদেদ অমসুং লন্নাই কলেজ অমসুং য়ুনিভরসিতিশিংসু মহৌশাগুম ক্লাস তৌরগনি।

**কর্ফিয়ু (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট , বিষ্ণুপুর অমসুং থৌবাল জিলাশিংদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি।

অদুমওইনমক, ককচিং জিলাগী ওইনদি ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী অয়ুক পুং ১০ ফাওবা কার্ফিয়ুম কোমথোক্লি।

মসিগী মতাংদা জিলাশিং অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা চেরোলশিং থোকখ্রে।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎতা ঙসি উরিষ্যদা চৎকনি।

শ্রী মোদিনা ভুবনেশ্বরদা পাঙথোকপা ভারত পুম্বগী ওইবা দাইরেক্তর জেনরেল অমসুং ইন্সপেক্তর জেনরেল ওফ পুলিসকী মীফমদা শরুক য়াগনি। ইন্টরনেল সেক্যুরিতি, টেরোরিজম, মাওইষ্টনচিংবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা খন্নগনি।

মীফম অসিদা গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ, নেসনেল সেক্যুরিতি এদভাইজর-অজিৎ কুমার দোবলসু শরুক য়াগনি। খোঙচৎ অসিদা প্রধান মন্ত্রিনা ভুবনেশ্বরগী বি.জে.পি. ওফিসতা এম.পি, এম.এল.এ. অমসুং করিয়াকরতাশিংগসু উন্নগনি।

**ঝরখন্দঃ** ঝরখন্দ বিধান সভাগী অখন্নবা মীফম মথং থাগী ৯ দগী ১২ ফাওবা চথরগনি।

ৱারেপ অসি মুখ্য মন্ত্রি-হেমন্ত সোরেননা সভাপতি ওইদুনা ঙরাং পাঙথোকখিবা অহানবা মন্ত্রি-মন্দলগী মীফমনা লৌখিবনি। মীফম অদু লোইরবদা তুংদা শ্রী সোরেননা হায়-শ্রী স্তেপফেন মরান্দেবু প্রোটেম স্পিকর ওইরগনি। সেসন অসিগী মনুংদা এম.এল.এশিংসু ৱাশক লৌগনি।

**বঙ্গলাদেসঃ** মপান থৌরম রাজ্য মন্ত্রি-প্রিতি ভরধন সিংহনা রাজ্য সভাদা অইবা ওইনা পীবা চেরোল অমদা হায়-বঙ্গলাদেসতা লৈরিবা হিন্দু অমসুং মাইনোরিতিশিংগী লাইনিং লাইশোল তৌবা মফমশিংবু বঙ্গলাদেস সরকারনা তেক্ত কায়দনবা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা হায়খ্রে।

লৈবাক অদুগী মরুওইবা থৌদাংদি, লৈবাক অদুদা লৈরিবা নাগরিক খুদিংমক্কী পুন্সি কনবনি। সরকার অদুনা মাইনোরিতিশিং য়াওনা মীপুম খুদিংমকপু চপ মান্নবা মীৎয়েংদা য়েংদুনা ঙাকশেলগী থৌরাং লৌখৎকদবনি। ঙাইহাক লৈতনা হিন্দুগী লাইশঙ অমদি লাইশিং থুগায় য়ৈখায়বগী থবক চথরি। হন্দক্তসু ইকুই কুইদনা হায়রিবা থৌওংশিং অসি চথবগী পাউ লাক্লি।

শ্রী সিংহনা হায়-ভারতনা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিবু হকচিন্না লৌই।

**এনআইএঃ** নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন.আই.এ) না ঙরাং লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্য তরুক্কী মফম ২২ দা থিবা হুম্বগী থবক চখ্খ্রে।

বিহার, উত্তর প্রদেস, মধ্য প্রদেস, দিল্লি, মহারাস্ত্রা অমসুং পঞ্জাবতা নমথাক অমদি মী লল্লোনবগী কেসকা মরী লৈননা থিবা হুম্বগী থবক অদু চখ্খিবনি।

এন.আই.এনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-কেসশিং অসিগা মরী লৈননা পাক শন্না থিবা হুম্বগী থবক চখ্দুনা ভারতকী নহাশিংবু খা নোংপোক এসিয়াদা লল্লোনবগী থবক চখ্রিবা অদুগী মতাংদা থিজিল্লি। এজেন্সি খরনা লৈবাক অসিগী নহাশিংবু মপান লৈবাকশিংদা থবক পীনি হায়দুনা থাজবা পীরগা মপান লমদা পুদুনা মী লল্লোনবগী থবক অসি চখ্বনি হায়বা খঙবা ঙমলে।

**চিফ ঃ** চিফ ওফ দিফেন্স ষ্টাফ-জেনরেল আনিল চৌহাননা হায়রি-ইশা ইথন্তা মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা অমসুং মহৌশাগী ওইবা ইশা ঙাকথোকচবগী থবক থৌরমশিংনা শান্তি পুরকবগী হৌরকফমনি।

ন্যু দিল্লিদা দিফেন্স পার্টনসিপ দেজ হৌদোক্লদুনা হায়-লৈবাক অসি মালেমগী শেল থুমগী লমদা মঙাশুবা লৈবাক অমা ওইরে। মসিনা লৈবাক অসিগী নহাশিংদা অচৌবা মফম অমা কলহনবা ঙমলে। থৌরম অসিদা দিফেন্স অমসুং আর্ম ফোর্স মন্ত্রালয়গী কম্পানি ২০০ হেন্না অমসুং ওফিসার ১০০ হেন্না শরুক য়ারি।

**গৱা ঃ** গৱাদা পাঙথোকখিবা ৫৫ শুবা ইন্টরনেসনেল ফিল্ম ফেষ্টিবেল ওফ ইন্দিয়া (ইফি) ঙরাং লোয়শিনখ্রে।

ফেষ্টিবেল অসি থা অসিগী ২০ দগী হৌখিবনি। ঙরাং লোয়শিনখিবগী

থৌরমদা তোঙান তোঙানবা ফিল্মশিংদা এৱার্ডশিং য়েন্থোকখি। সোল ক্লিয়ুৰেট দিরেক্সনদা তোক্সিকনা গোল্ড পিককোক এৱার্ড ফংখি। ফিল্ম অসিগী টিমদা সার্টিফিকেটকা লোয়ননা লুপা লাখ ৪০ গী কেস প্রাইজসু খুৎশিন্নখি। লোয়শিনবগী থৌরমদা গৱাগী মুখ্য মন্ত্রি-ডা: প্রমোদ সাৱন্ত, ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিংগী সেক্রেটরি-সঞ্জয় জাজ্ অমসুং ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিগী মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**হোকিঃ** হোকিগী মেন্স জ্নিয়ার এসিয়া কপ ২০২৪ দা ভারতনা জপানবু মায়থিবা পীখ্রে।

ওমানগী মুস্কাটতা পাঙথোক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিদা শান্নখিবা মেটচতা ভারতনা পাঞ্জল ৩-২ দা জপানবু মায়থিবা পীখিবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

নুমিৎ ১৩ নি অথিংবা থিংলুরবা মতুং ঙসিদগী স্কুল কলেজ হাংলগনি হায়বা পাউ, পার্লিয়ামেন্ট মীফম মনুংদা দিল্লিদা খোঙজং চংশিল্লগনি হায়না ইনি দয়া ব্লোকা লাউথোকখিবগী পাউ অমসুং থোক্লিবা ইরাং অসি আইন কায়না চংশিল্লকপা মীওইশিং অমদি পোপী থাবা মীওইশিংনা থোকহনবনি হায়বা সরকারগী ৱাফমনা ঙসি ফোংবা পাউ-চেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

মনিপুরগী লান আই.এন.দি.আই.এ. ব্লোক মনিপুরনা দিল্লিদা প্রোটেষ্ট তৌরগনি লাউথোকখ্রে, লানগী সোলুসন পুরকবা পার্টি পুমমক্কী মীফম কৌবিয়ু হায়বদা কৌবিদ্রে, দিল্লিদা চৎতুনা তকশিনমীন্নরুসি হায়বসু য়াদ্রে হায়বা কংগ্রেসকী ৱাফমনা হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নোনেদা জে.দি.য়ু. (এফ) অমদি আই.এমগী মরক্তা অকনবা মওংদা খুৎ থোকখ্রে, খুঞ্জাশিং মপানদা থোকপা ঙমদ্রে হায়না ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা

লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মনিপুর ন্যুজতা- মনিপুরদা ইরাং লাকশিন্নবা থারকখিবা আর্মি অমদি পেরা মিলিটরি ফোর্সশিং মথৌ তৌদ্রে হায়না চিংগী লুপশিং য়াওনা হোম অমদি দিফেন্স মিনিস্তরদা ৱাকৎখ্রে হায়না মরুওইবা হেদলাইন তৌরি।

নেসনেল হায়ৱে-টুদা শেল খায়বা থিংবা ঙমদবগী মায়োক্তা গাড়ি চেলহনলোইদৌরে, সেনাপতিদা ঙসি য়ু.এন.সিগা তরপটাইত টোল্ক চথুনবা শেম শাবা লোয়খ্রে হায়বা পাউনা সনা লৈবাক্কী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

ঙসিদগী স্কুল, কলেজশিং মহৌশাগুম ক্লাস হৌরগনি হায়না পোকফমগী অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি অতোপ্পা পাউচেশিংদসু মরুওইবা হেদলাইন ওইনা ফোংনরি।

ম্যান্মারদগী সমুদ্রদা পুশিল্লকপা য়াল্লবা দ্রগশিং ফাগৎখ্রে হায়না সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

লৈমখোং আর্মি কেম্পতগী মীতৈ অমা মাঙখিবা অদু জি.ও.সিনা দায়ত্ব পুগদবনি হায়বা ফোক্সনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পাউচে অসিগী ইংলিস এদিসনদা মরুওইবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-থোক্লিবা ইরাং অসি আইন কায়না চংশিল্লকপা অমদি পোপী থাবা মীওইশিংনা থোকহনবনি হায়বা মনিপুর সরকারনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর সরকারদা মিজো নেসনেল ফ্রন্টনা শিরক্লিবা মরালশিং অরানবা অমসুং য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়না সরকারনা ফোংদোকখিবা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মাঙখিবা লাইশ্রম কমল বাবু তেক্ত কায়দনা থাদোরকনবা ৱাকৎ মীফম ফমখিবগী পাউ মোরনিং বেলগী অহানাব লামাইদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-এন.পি.ওনা দিসেম্বর অনিদগী অখন্নবা গাড়ি খরা চৎপা থিংলগনি হায়না হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোংদা ফোংবা গানফিয়ু মেলদা-মিজো নেসনেল ফ্রন্টনা মনিপুরগী চীফ মিনিস্তর রিজাইন্দ তৌনবা হায়খিবগী পাউনা মরুওইবা হেদলাইন ওইরি।

তমেংলোং টাইমসতা-তম্পাক্তা অফস্পা থল্লকপগী মায়োক্তা মৈরা পায়বীশিংনা খোঙজং চংশিনখিবগী পাউনা অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।